# মণিপুরগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা নুপীগী কেজি ৪৮গী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরে



কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবী মেরি কোম

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ঃ*

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এআইবিএ) না ঙসি থাদোরকখিবা ৱেঠ কেটেগোরিশিংগী রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৬ লক ওইবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মশাগী চহী ৩৬শুরবী মণিপুরগী বোক্সর অসিনা মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা মমাঙ চহীদা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টদসু গোল্ড লৌখিবনি। অদুগা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েলদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা চেম্পিয়ন ওইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাকপী বোক্সর ওইবা ঙমখি।

এআইবিএনা ঙসি থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা এম সি মেরি কোমনা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা পোইন্ট ১৭০০ ফংদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিকক্তা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিগী বাওট লৈতবনা মরম ওইরগা এমসি মেরি কোম কেজি ৩ হেনগৎলগা কেজি ৫১ দা শান্নগদৌরি।

মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর সরিতা এআইবিএগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট কেজি ৬৪ দা শান্নরিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সিমরনজিৎ কোর ৱেঠ কেটেগোরি অসিদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি।

মমঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ফংখ্রবী সোনিয়া লাথর এআইবিএগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অসিগী কেজি ৫৭গী কেটেগোরিদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়া ওপনগী গোল্ড মেডালিষ্ট অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী লোভলিনা বোরগেহেন কেজি ৬৯গী কেটেগোরিদা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। নুপাগী বোক্সরশিংগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপদেট তৌদ্রি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# নম্বর ৱান সিদেদ সিটসিপাস ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে বর্টেন্স নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে




*সিদনি, জনুৱারি ১০ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চথরিবা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামন্টতা নুপাগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই গ্রিসকী সিটসিপাস ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে, নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ ইটালিগী এনিদ্র সেপ্পীনা নম্বর ৱান সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানো সিটসিপাসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বাটজমেনগা শান্নরগনি। স্বাটজমেননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জপানগী ৱাই নিসিওকাবু ৬–১, ৩–৬, ৭–৬(৭–১) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী গাইল সাইমোন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দি মিনোর শান্নরগনি। সাইমোননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিলমেনবু ৭–৫, ৩–৬, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্বনি। অদুগা দি মিনোরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসনবু ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা কজাখষ্টানগী ৱাই পুটিনসেভাবু ৬–২, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা শান্নরগনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১০শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা বেলারসকী সাসনোভিস অমদি জেক রিবব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা শান্নরগনি। সাসনোভিসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিন্সকীবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরমখি। অদুগা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬–৪, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

# ইএফএলদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বর্টোন অলবিওনবু ৯–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, জনুৱারি ১০ঃ*

ইংলেন্দগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিশ ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বর্টোন অলবিওনবু পাঞ্জল ৯–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কেভিন দি ব্রুইননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৩০ অমদি ৩৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই গাব্রিয়েল জিজসনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। ৩৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই ওলেকজান্দর জিনচেঙ্কোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৪–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা গাব্রিয়েল জিজসনা মহাক্কী হেটত্রিক পাঞ্জল চনখি। ৬২শুবা মিনটতা টিমমেট ফিলিপ ফোদেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বর্টোন অলবিওনবু ৬–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখ্রবা গাব্রিয়েল জিজসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কাইল ৱাল্করনা পাঞ্জল অমা অদুগা ৮৩শুবা মিনটতা টিমমেট রিয়াদ মহারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বর্টোন অলবিওনবু ৯–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | E | A | P | S | | S | K | A | T | | S | C | O | W |
| A | L | L | A | H | | A | I | D | E | | T | A | L | E |
| P | E | T | R | A | | G | L | U | M | | A | S | I | A |
| I | C | E | | S | T | O | O | L | P | I | G | E | O | N |
| S | T | R | A | T | I | | S | T | O | N | E | | | |
| | | | B | A | P | S | | | | E | D | G | A | R |
| E | D | I | E | | T | O | P | P | E | R | | O | N | O |
| T | A | B | L | E | O | F | C | O | N | T | E | N | T | S |
| T | Y | E | | N | E | A | T | E | R | | L | E | E | S |
| A | S | T | R | O | | | | T | A | D | S | | | |
| | | | I | C | O | N | S | | P | R | E | E | N | S |
| C | O | U | C | H | P | O | T | A | T | O | | R | O | C |
| A | P | S | E | | T | R | A | P | | O | G | I | V | E |
| P | E | E | R | | E | S | T | E | | P | E | C | A | N |
| E | N | D | S | | D | E | E | D | | Y | E | A | S | T |

# এএফসি এসিয়ান কপ্তা থাইলেন্দ অমদি জোরদান মায় পাকখ্রে

*অবু দাবী, জনুৱারি ১০ঃ*

য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা থাইলেন্দ অমদি জোরদান মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা থাইলেন্দনা বহারেনবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। থাইলেন্দ অমদি বহারেননা শান্নখিবা মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা চানাথিপ সোংক্রাসিননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা বহারেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী থাইলেন্দবু মখোয়বু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। গ্রুপ অসিগী অনীশুবা মেটচ ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুএই শান্নগনি।

এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জোরদাননা সিরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা জোরদানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মুসা অল টামারিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা জোরদানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টারেক খাটাবনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা সিরিয়াগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু জোরদাননা সিরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

# অৱাধেনা নোর্থ ইষ্টর্নবু ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ১০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা মকোক থোংবা বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী টাই অমদা অৱাধে ৱারিয়র্সনা নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদপু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী টানোনসাক সেনসোম্বুন্সুকনা অৱাধে ৱারিয়র্সকী সোন ৱান হোবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–৮, ১৫–১০ দা থোইরমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অৱাধে অমদি নোর্থ ইষ্টর্ননা শান্নরিবা টাই অসিগী অনীশুবা ওইখিবা মিক্স দবলসকী ত্রম্প মেটচতা অৱাধেগী পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমদি মাথিয়াস খৃষ্টিয়ানসেননা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী পেয়র লিয়াও মিন চুন অমদি কিম হা নাবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–৭, ১৫–১৪ দা মায়থিবা পীরমদুনা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা নুপীগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী বৈৱেন ঝাংনা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী সাইনা নেহৱালবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১১–১৫, ১৫–১১, ১৫–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী লি দোং কিয়ুননা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী টিয়ান হোৱৈবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–১০, ১৫–১৩ দা থোইরমদুনা মেটচ ৫–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টাই অসিগী মঙাশুবা মেটচ মিক্স দবলসকী লম্বাদা অৱাধেগী পেয়র লি য়াং অমদি আর্জুন এম আরনা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী কিম সা রাং অমদি ধ্রুভ কাপিলাবু ১৫–৫, ১৫–১২ দা মায়থিবা পীরম্বদগী নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী পোইন্ট অমা হন্থরগা টাই অসি অৱাধে ৱারিয়র্সনা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সপু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Theraphy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday Closed

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019

PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19

**No.25/1/ 2015- AR(Pt)**
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF PERSONNEL & ADMINISTRATIVE REFORMS**
**(ADMINISTRATIVE REFORMS DIVISION)**

**NOTIFICATION**
**Imphal, the 3rd January,2019.**

The Search Committee, Manipur Lokayukta invites applications for filling up 1 (one) post of Chairperson and 2 (two) posts of Members in the Manipur Lokayukta. Out of 2(two) posts of members, 1 (one) member shall be Judicial Member and 1(one) post shall be a member other than Judicial Member as per the following qualifications laid down in the Manipur Lokayukta Act,2014:

**For Chairperson:**

A person who has been Chief Justice of a High Court or an eminent person who fulfils the eligibility specified in clause (*b*) of sub-section(3) of the Manipur Lokayukta Act which is a person of impeccable integrity and outstanding ability having special knowledge and expertise of not less than 25 (twenty-five) years in the matters relating to Anti-corruption policy, public administration, vigilance, finance including insurance and banking, law and management and not less than 50 (fifty) years of age.

**For Judicial Member:**

A person who is or has been a Judge of a High Court.

**For Non Judicial Member:**

A person of impeccable integrity and outstanding ability having special knowledge and expertise of not less than 25 (twenty-five) years in the matters relating to Anti-corruption policy, public administration, vigilance, finance including insurance and banking, law and management and not less than 50 (fifty) years of age.

The Chairperson or a Member **shall not -**

*(i)* Be a member of Parliament or a member of the Legislature of any State or Union territory;
*(ii)* *Be* a person convicted of any offence involving moral turpitude;
*(iii)* *Be* a member of the Panchayat or Municipality or District Council;
*(iv)* Be a person who has been removed or dismissed from the service of the Union or a State, and
(v) Hold any office of trust or profit (other than his office as the Chairperson or a Member) or be affiliated with any political party or carry on any business or practice any profession and, accordingly, before he enters upon his office, a person appointed as the Chairperson or a Member, as the case may be, shall, if-
*(a)* he holds any office of trust or profit, resign from such office, or
*(b)* he is carrying on any business, sever his connection with the conduct and management of such business; or
*(c)* he is practising any profession, cease to practise such profession

**How to apply:**

7. The vacancies have been circulated to the Registrar of the Supreme Court, the Registrar of High Courts, Chief Secretaries of State Governments and Secretaries in Central Government Departments and Ministries, calling for nomination of eligible candidates.

8. All applicants, whether nominated by any of the authorities specified in the preceding paragraph or those who are applying directly in response to the advertisement, must submit their applications in the prescribed proforma which is enclosed. Applications which are not in the prescribed proforma will be summarily rejected.

9. Applications, completed in all respects and duly signed by the applicants, must be addressed to the Chief Secretary/Chairman Search Committee, Manipur Lokayukta, Secretariat(South Block), Babupara, Imphal 795001 and should reach latest by 5.00p.m. on 30th January, 2019. Applications received after this due date will not be considered. This Department will not be responsible for delay/loss of applications, for any reasons whatsoever. The envelope containing the application shall be supercribed **"Application for the Post of Chairperson/Member, Lokayukta."**

Sd/-
**(Dr. J. Suresh Babu, IAS)**
Chief Secretary/ Chairman,
Search Committee,
Manipur Lokayukta

**Proforma for application for the post of Chairperson& Members of Lokayukta**
*(Please go through relevant instructions carefully before filling up the proforma)*

*(No columns in the application should be left blank. Every column should contain complete information as asked for, or indicated "NIL" in case of non-applicability.)*

| | | |
|---|---|---|
| 1. | **POST APPLIED FOR:** *(Please indicate whether the Chairperson or the post of Chairperson or for the post of Member, Lokayukta. In case you intend to apply for both the posts, please use separate application forms.)* | **CHAIRPERSON/MEMBER** |
| 2. | In case the application is for the post of Members, please indicate whether the application is for the post of Judicial Member or Non- Judicial Member | **JUDICIAL MEMBER/ NON-JUDICIAL MEMBER** |
| 3. | Name of the Applicant (Full Name) | |
| 4. | Date of Birth (……/……/……….) | |
| 5. | Whether the applicant belongs to SC/ST/OBC/Minorities or women If yes, please indicate the category | **YES/NO** *(Strike out whichever is not applicable)* **Scheduled Castes/ Scheduled Tribes/ Other Backward Classes/ minorities/women** *(Strike our whichever is not applicable)* |
| 6. | Present Address: | |
| 7. | Permanent Address: | |
| 8. | Contact Details<br>Telephone No. (with STD)<br>Mobile No.<br>Fax No.<br>E-mail ID | |
| 9. | Educational Qualification | |
| 10 | Area of Eminence | |
| 11 | Present Occupation | |
| 12 | Whether nominated applicant or direct applicant *(The vacancies have been circulated to the Registrar of the Supreme Court, the Registrar of High Courts, Chief Secretaries of State Governments and Secretaries in the Central Government Departments and Ministries, calling for nomination of eligible candidates. Applicants nominated by these agencies will tick the NOMINATED APPLICANT category. The vacancies have also been advertised to directly invite applications from eligible candidates. Applicants applying directly in response thereof shall be treated as DIRECT APPLICANTS)* | DIRECT APPLICANT/NOMINATED APPLICANT |
| 13 | In case of direct applicant, furnish details of the person recommending the applicant. *(All Direct Applicants must also attach, I original, a letter of recommendation from one eminent person who is or has been associated with vigilance or dealing with anti-corruption issues)* | Name of recommender:<br>Major positions held by recommender:<br>Recommender's Achievement: |
| 14 | Whether Letter of Recommendation attached | **YES/NO** *(Strike out whoever is not applicable)* |
| 15 | Detailed curriculum vitae including work experience and other achievements *(Please attach a separate statement)* | |
| 16 | Detailed justification as to how the applicant fulfils the conditions of eligibility for the post applied for. *(Please enclose a statement, where appropriate, not exceeding 200 words)* | |

**DECLARATION**

I,……………………………………………………………,the applicant hereinabove, hereby declare that the particulars given above and in the attached statements are true and correct to the best of my knowledge and belief. I also understand that my application is liable to be rejected in case any of the information contained in this application is found incorrect.

Date: Signature:

Place: Name: